হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জন্যুৱারী ০৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৮১শুবা মশীং

# পাউথংনফম থোকপ্রা

## মীয়ামদি করিনুংগীনো য়ৌরে

লমদমসিদা চৎনবদগী লৈরক্লিবা লৈঙাকলোনসি মীয়াম্না খঙবা মখোয়গী মীহুৎনা মীয়ামগী ৱায়েল থৌদা পাঙথোকপা দেমোক্রেসিগী ওইবা মচৎতুনি। মসিমক্না মীয়ামগী লৈঙাকপু মীয়ামগী মপি-মপানি হায়রিবনি। চুম্না হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা লৈঙাক্তুনা মখোয়গী মীয়াম্বু নাওকোন্দুনা মখোয়গী য়াইফ-থৌরাংশিং পায়খৎলিবনি। চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং চত্থরিবনি। মসি ওইরগদি লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক তৌখিবা থবকশিংবু নোং তারগা কৈনো পোপথোকপদৌনা কোৎথোক-কোৎথোক্তুনা ঙাইহাক লৈতা ঙাঙ-শকফম থোকপ্রা? ইমুং অমগী মমা-মপা অমনা মচা-মশুশিং য়োক-থাক্লকপগী থবকসি অঙাং নত্তে, য়ামখ্রবা অমসুং চাওখ্রবা থবকশিংনি। মসিমক্না অঙাং অমা য়োক্লকপগী থবক ঙা তুঙ্গোল অমনা, ফৌ শংবাই অমনা য়াবা নত্তে হায়নরিবনি। অদুবু হায়রিবা থবকশিংদু মমা-মপা ওইবশিংগী তৌফদ্রবা থবকশিংনি। থৌদৌশিংসি য়াম্মল্লি, চাওই অমসুং পুবা-থাংবা ঙমদ্রে হায়দুনা মায় লৈদুনা চেনবা য়াবা নত্তে। ঙম্নবা পাম্বৈশিং পুথোক্তুনা হোৎনরিবনি, হোৎনফমসু থোক্লিবনি। থবকশিং অসিবু মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্বা মমা-মপা ওইবশিংবু পুন্সিদা মায় পাক্লবা মীওইশিংগী শীংদা চল্লিবনি। অদুবু হৌজিক অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্লমদাই মমাঙগী ওইবা কেম্প্যেনশিং চত্থনরকপদা লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিকল পার্টিশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা ঙাঙথোক-শক্তোক্লরক্লিবা ৱাঙাঙ-শঙাঙশিংসিবু করিনো? পোলিটিকেল পার্টি অমগা অমগা ওনশিন্নদুনা চৈনবা-ঙাঙনবা, হুন্নবা, পিদ্রিৎ থোক্না শিধনবদুনা লৈতোন শরূ পান্দবগী থৌদৌনি। মানা-মানা হৈজবা, লৈজবশিং পুথোক-পুথোক্তুনা লৈতোন শরূ পান্দবগী ফীভমদা চত্থনরকপনি হায়দুনা লৌরবা ফাওবদা মীয়ামদা চেঙ লেম্না পীখিবনি, হীদাক লেম্না কাপখিবনিগা হায়বা ৱাঙাঙ-শঙাঙশিং কোৎথোক্তুনা য়াম্না তোয়না ঙাঙলক্লিবসিবু তৌফম থোকপ্রা? পল্লকফম থোকপ্রা হায়বনি। চেঙ পীবগী থবকশিংদা থা অমদা মীওই অমদা চেঙ কিলোগ্রাম ৫/৫ পীগদবনি হায়দুনা চত্থনখিবা য়েন্থোকপগী থবক্তা য়ামখিদ্রবা কিলোগ্রাম মশীংসি শুনা পীদে হায়বগী ৱারু-নুংজু থোকখি, কোক্কাই লুকাইনখি। অদুবু কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্লনবগীদমক লৌখৎলকপা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না কর্ফিয়ুগী অথিংবনা শুফম-নোম্ফম লৈত্রবা মীয়ামদা সুপর ফাইন ওইরবসু, কিলোগ্রাম ৫ খক্তা ওইরবসু পীখিবা চেঙশিংদুনা ইমুং কয়াদা চরা নোংখন্নখি। মমল নাইদ্রবা মতেং ওইখি। মসিগী মথক্তা কোভিদ ভেক্সিনশিংসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লেম্না কাপখি।

চুম্মী, চেঙ লেম্না য়েনখিদে, হীদাক লেম্না কাপখিদে হায়বা নত্তে। অদুবু হৌখ্রিবা থবকশিংদুদি তৌদবা য়াদবা কোভিদ-১৯গী মৈদ্রাংলক্তা ওইহল্লকখিবা ফীভমশিংদুনা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবগী তৌখিবনি। মদুদি হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংসিনা নৎত্রবসু অতোপ্পা পার্টিশিংনা পায়রম্লবসু অদুম তৌনি। বি জে পি, এন পি পি অমসুং এন পি এফ শুংয়াও য়াওদবা পার্টিশিংনা পায়বা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু তৌখি। সেন্টরগীসু অদুমঙাই বি জে পিনা লুচিংলক্লিবা এন দি এ লৈঙাকসি নত্তবা অতোপ্পা অমা লৈরম্লগদি অদুম তৌনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা শাথীরবা কোভিদ পেন্দমিক য়ৌশিল্লকপদগী মসিবু মায়োক্লদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনখিবা অমসুং মীয়াম্বু চরা হেলহন্দনবা লৌখৎখিবা থবকশিংদুবু কোৎথোরকফম থোকপ্রা? মমা-মপানা মচাশিংবু চাওননবা য়োক্লক-থাক্লকপা, লাইরিক-লাইশু তমহন্দুনা মী অমা ওইহন্নবা হোৎনরকখিবা, ময়ূম-মকৈ পালহনবনচিংবা থবকশিং অসিবু য়ামখ্রবা, চাওখ্রবা থবকশিংনি হায়দুনা কনাদা পাওথংনরুগদগে? মীয়ামগী লৈঙাক পায়বা হায়বসিদি মীয়ামগী মপি-মপানি। লৈবাক মীয়ামগী য়াইফগদবা থবক-থৌরমশিং লোইনা পাঙথোক্কদবনি। মসিগীদমক ইলেক্সনগী মতমদা মীয়ামগী মীহুৎ, পাওখোল্লোই ওইহনবীয়ু হায়দুনা খা-ৱাং থুংনবা চেন্দুনা হায়জখ্রিবনি। অদুগা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরক্তুনা লৈঙাক্লোন পায়রক্লগা মীয়ামগীদমক মতম-মতমগী মতুংইন্না মথৌ তারকপা থবকশিং পাঙথোরকপবু ঐখোয়না অদু তৌখ্রবনি, অদা তৌখ্রবনি হায়দুনা ঙাইহাক লৈতনা পাওথংনফম থোকপ্রা? করম্বা পোলিটিকেল পার্টি, পার্টিদুগী করম্বা লুচিংবনা অমসুং লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক করি তৌই-তৌদে হায়বসি মীয়াম্না শিৎ-নান্না খঙই। তৌখ্রিবা থবকশিংদু মখোয়গী নাকোংদা তোয়না হায়দ্রবসু অদুম খঙই হায়বনি। থবকশিং অদুদি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লিংবা লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক তৌফম থোকপা থবকশিং ঙাক্তনি। মসিগী মতাংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন মীয়াম তিনবা/পূনবা মফমশিংদা লাউ-খোংবগী মহুত্তা হৌজিক নকশিল্লক্লিবা পাঙথোক্লগদবা মীখলসিগী মাঙওইননা মাঙদা তাদুনা লৈরিবা, মীয়াম্না নীংদোল পোম্নরিবা মীয়ামগী ইস্যুশিংসি শন্তাইনবা পুরক্তুনা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবনা চুমগনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ইস্যুশিংসি মীখল নকশিল্লক্লে হায়দুনা কান্থোক্তুনা ইলেক্সনলোমদা হোৎচিন্নখ্রগদি মীয়াম্না ৱারৌহৌবখক নত্তনা ইস্যুশিংসি লৈখাই তাথোকপা ঙমহৌরোই। লৈবাক মীয়ামগী থবক থম্মোয় শেংনা তৌনীংলবদি ইস্যুশিংসি মথংগী করিনো, করি ওইরক্কদগে খঙদ্রিবা লৈঙাক্তা ইন্থোক্লমগনু। মথংগী লৈঙাকসু অমুক হন্না খূৎপায়গনি খল্লিবদুনা অচুম্বা ওইরক্তুনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়রক্লবসু লৈরিবা ইস্যুশিং অসি লোইশিন-খমজিনবা অমা নাইদ্রগদি অদুম্মক লৈবাক ৱাথোক ওইদুনা লৈহৌগনি। অমুক হন্না মায়োক্লরক্কনি হায়বদি মখৌ পোংনা পাউথংনরিবশিংনা কাউথোকহন্নীংদে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩

১) ***“তালোই মরুম্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পুজাও রোইবা পুন্নমাসুং অমল য়াইথোং কুম্বদা ৱাইর লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা -- ৱারমসনা মৈখাংবদুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ৈ হিগা ওই, লমলোই থৌদোক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোন্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ”*** ৱাহে পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **“শ্রী শ্রী গোবিন্দজী বসন্ত হোলি লিলা শৈশক শৈরেং”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) ***“ইচে বীনো”*** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***“ফিমন খুনবা”*** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কৃষ্ণমোহননা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা করি লোলদা ইবা করি মমিং কৌবা লাইরিকনো?

৫) ***“মীকুপ খরদুই পুন্সিগী মহাও”*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পেৎথরক্লে নঙ ঐগী মাগী থম্মোয়

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



মীখল মতম নকশিল-নকশিল্লক্লগা হার ফংই-ফংদে, পোৎ চৈগী মমল মরম চাদনা ৱাংখৎলি-ৱাংখৎতে, তোলোপ হেনগৎলি-হেনগৎতে, নুপী-অঙাংগী থৌদোক ৱাথোক্কী কেস লোইশিল্লি-লোইশিন্দে, লম্বী শেম্বী-শেম্বীদে, ঈশিং পী-পীদে, শেঞ্জা-থুমজা মুখৎলু-মুখৎকনু হায়বা মীয়ামসি মশা মথন্তনা অসুমক থুপচিনজখি। মীখল লাইরেম্বীগী মতিক মঙাল অসি হায়সু হায়বনি ওন্থোক্না কনখ্রে। মীয়াম পূম্বা লোইনা ইরায় লায়না পংথহনবা ঙম্মী। মসিগুম্বশিংসিগী মরমদা হেক ঙাঙ শক্লকপদা ফাগি ফরাং নৎত্রগা খরা হেনজিল্লগনা অঙাও অফৈ ওইনা লৌনরক্লবা চক ওইরে। মসিগুম্বসি কনা অমত্তনা তানীংদ্রে। দ্রগকী ৱাথোক্না ইরূম লূম্না মীচম মীয়াম্না লৌদবদৌনা তূমিন লৈশিন্নরক্লে। মসি মীখলগী মতিক ময়াইনা শুমহৎখিবননি। মসিগুম্বসি পল্লু-লাক্লু য়াপোৎ নৎত্রে। ৱাখল শুদবনি হায়দুনা Psychiatrist তান্নদুনা গুলি চারো হায়রকপা য়ারিবা ফীভমনি। মীয়াম্না অফবা ৱা ঙাঙবা তানীংলক্তবা কুইরক্লে, তাবসু ইতা তানদ্রে। ঙাঙলবসু টি ভি মুখৎনরে। পাউচে ওইরে পানীংদ্রে, মৱা লৌনদ্রে। অচুম্বা ৱা ঙাঙবসিদি অফবা মীনসু পংঙাঙ ঙাঙই, ফত্তবা মীনসু পংঙাঙ ঙাঙই।

লৈকায়গী ষণ-ইরোই ঙাইহাক লৈতনা হুরানজবা মখূৎ মশা শাংবা মীওই অমনসু করপসন হায়বসি লৈবাক্কী অরুবা সমস্যানি, মসি মীয়াম্না মুখৎকদবনি অদুম ঙাঙবা কৈসু কায়দে। নুপী তরেৎ/তরা লোনবা নুপা অমনসু নুপী লোনবা য়াদে হায়বা লো অমা শেম্মু হায়না সাইকল রেল্লি শিল্লকপা অঙকপা ৱা নত্তে। অদুনা অচুম্বা ৱা ঙাঙবা হায়বসি চুম্মীবুদি খঙলসু ২০২২গা য়ৌশিল্লকপসিদদি কনাম তানীংদে। সুম তাবা মানবৈ ৱাদনি। নাকোং চেজেৎ মেনশিল্লগা খাঙনীংবসু য়াওরবনি। মাগী লৈকায়দা মতু হায়দি ফজবা লোন্দাদা মাগী নুপী (লোয়নবী) ফূ চৈগনবদা মমিং নাইরবা নুপা অদুমক্লফাও মীগী লৈকায়দা চৎলগা নুপীদা চত্থরিবা মীওৎ মীনৈগী মরমদা সেমিনারদকা পেপর হেক্তা পাথোক্কদৌরিবনি। অমুক হায় কান্নদে অচুম্বা ঙাঙবগী ৱা অসিদি।

এসেমব্লিদা অচুম্বা ঙাঙবদা হালেংবা লৈখিদ্রবা ৱাচুম শুরম্বা মপি মপা, নহা অহল ময়াম অমা হৌজিক্তি মশানা মশাদা অমুক চৈশিনজবা হৌনরক্লবনি। মশাগী পার্টিনা অরানবা তৌহৌরগা, পার্টি থাদোক্লগা চেল্লিবা মী মশা অদুনা অচুম্বা ওইরগা মাগী পার্টিনা অরানবা তৌহৌরে। মী অমত্তা পোলিটিকেল পার্টিবু থাজবা য়াবা নত্তে হায়বা ৱারোইসন অসি নত্তনা করিসু পূক্নিংদা ফাওনদ্রে। থাজননবা তাইবঙ মীনা ওইররোইদৌবা ৱা ঙাঙলগা ৱাশক্লে, অদুদগীদি ৱাশক অদুসু অমুক ঙাক্তবনিনা ৱাশকপসু অমুক মীনা মৱা লৌবা য়াদ্রবা ৱাচোই নৎত্রগা ৱারেম ওইবা, থৌনাইদবগী, পুকফত্তবগী ৱা ওইনা লূম্না লৌনরক্লে। ৱাশক্লগা ৱা ঙাঙলিবা মীদুবুনা কদর-ফদর তৌবা ফিক্রিজাও, খদ্রক-মদ্রক য়াম্না কনবা মতৌ মালহনবদা হৈ শিংলবা তাৎ-পাৎকী মী ওইনা খন্নরে।

মণিপুরদা পোলিটিক্সপু মোইরাং থোইবীগুম পুকচেল লেপ্পা লেপ্পী নুপা নুপী কৈবুল লমজাওগী সঙাই মুৎপদৌনা নোংম-নোংমগী মুৎশিল্লক্লে। চোঙারাবা মুৎপদৌনা মুৎশিল্লক্লে।

অমরোমদা, অফবা থবক য়াম্না তৌরকপা, পুকচেল শেংবা, কখোকপা হায়বসি পোলিটিক্সতা হৌজিক হোরেলমক্কী ওইনদি চৎনবা য়াবা ৱা অমত্তা নত্তে। মসি তাবা য়াবা ৱা নত্তে। মসি থায়নদগীসু চৎনরক্লমদৌ মান্দে। ঐদি থায়নগীদি কয়া লাইরিক পাদ্রে। তুংদসু চৎনদৌ মান্দ্রে মসি।

নাকল অমরোমদা মীয়াম্বু অরেম অপা পীজরগা, মহিরেল খরা পীথক্লগা, কম্বল অহোঙবা খরা য়েনশিল্লগা, লুপা চাম্মঙা অমা করি অমা পীথোক্লগা ভোট খোম্বা য়াই হায়বসি ইরায় লায়না খঙনরক্লে। ভোট লেপ্পা হায়বসি অমনসু অমনসু হেক্তা লেপ্পা য়াবা ওইনা ইরূম লূম্না লৌনরক্ত্রে। শেলবু পায়রদি হেক্তা য়ারে খঙনরক্লে। কার অমা শৎ থৌদোক্লগা কৈথেলদগী এঞ্জাং নাপি লৈবগুম্বনি ভোট লৈবা অসি। এন আর ঈ জি এসকী খূৎশুমলতবু ঙাইবা, য়েল্লকপা চেঙ নৎত্রবদি চারা হেল্লবা ইমুং কয়ানি, মশানা মরাইবক্তা থেৎতুনা ভোট য়োনবা তারকপনি। মীয়াম হায়বসি অফবসু য়াওরি, ফত্তবসু য়াওরি অদুবু মীখল মতম য়ৌরদি মী অফবসু মী ফত্তবসু চপ হেক মান্ননা ঙাওমীন্নে, অফবা অচুম্বা ৱারী ৱাতাই শানবা য়াদে, নিশা অমা চুই, হায়রুবা অফবা অচুম্বা অমত্তা মৱা ইৱা লৌনদে। অমগা অমগা থাসু অমত্তা হেক থাজননীংদ্রে অঙকপনি মীখল হায়বা তাইবঙ মীনা শেম্বা পোৎ অসি। শেল নত্তনা থাজবা অমত্তা লৈনরক্ত্রে হায়বা তাই।

হৌজিক লোইনমক কাউনখ্রে ফত্তে হায়রম্বা, লাউরম্বা পূম্বা! য়ানীংলমদবা পূম্বা য়ানীংলক্লে। মানা ফূখিবগী ইনঙ্গলদা চৈফম কোক্ত্রসু মীখল মতম য়ৌরদি ঐবু ফূধখিবা মাবু নুংশিবগুম থোইনা হেন্না ফাওদুম ফাওরকই। ●

# হেপি ন্যু য়র য়াওগেরা

**নবকুমার ওইনা**

“নেনে, পৈশা পীয়ুকো, ’খোয় য়েন চাদৌরিনি। করিগী? ন্যু য়রগী। ন্যু য়রদা কনানা য়েন চাগদৌবনি হায়গে? ’দা চৌবনা থোংবীগে হায়রে, দো পীয়ুকো। পীগে, কয়ানো হংলুচো মঙোন্দা। ফাইভ হন্দ্রেদ। ফাইভ হন্দ্রেদতু করিনো হায়বা? পৈশা। পৈশা ফাইভ হন্দ্রেদনদি কৈদৌদৌরিবা, পীরকউ য়ারোই। নো, নো, রুপিজ ফাইব হন্দ্রেদ।”

ইংলিস ঙাঙবা তম্বীবদগী ন্যু য়র হায়বা হৈরকখি, কেলেন্দর শীজিন্নবদগী কুম্মৈ ওইরকখি, থবানগী ৱাদু কাউবু কাউনরে, লাইরিক তম্বা চৎপগীদি নুমিৎ ফৈগা ফত্তেগা, চাবগীদি নুমিৎ ফবা ফত্তবা য়েংনদেদা। ন্যু য়রদি নুমিৎতা লৈতে, মশীংদা লৈ, অদুসু চহী খুদিংগী মান্নদে। চহী মরি খুদিংগী নোংমা চেন্নৈদনা। অদুদি করিগীনো? মালেমসিগা থাগা নুমিৎকী অকোয়বদা চৎপা, চৎনা চৎনা থানা মালেমসিগী অকোয়বদা চৎপা, থানা চৎলিবসি লম্বী অনীদনি। অহুমদনি হায়বসু য়ারিবনি, য়ুনিভর্স হায়রিবা অসিসু ঐখোয়না খঙদবা মায়কৈ অমদা তাওরগা চৎলিবনি। লম্বী ময়ামসি কিলোমিটর কয়া য়াম্বা ঐখোয়দি খঙবা নত্তে, নুমিৎ মশীংতনিদা ঐখোয়না থিরিবদি। চয়োল অমদা নুমিৎ তরেৎ, থা অমদা নুমিৎ কুন্নিপান্দগী কুন্থ্রামাথোই, থা তরানিথোইনা চহী অমা, নুমিৎ চহুম হুম্ফুমরি, অমগা অমগা য়েন্নবদা লেমদবা ইয়াও য়াওদে। ময়ামগী য়ানবা অমগী ন্যু য়র অমা ঐখোয়নসু শীজিন্নরিনি। ময়ামদুগী মরক্তা ১৯৪৭কী জন্যুৱারী তাং ১, ন্যু য়র নুমিৎসি য়াম্না মরু ওইরিবনি। ঙসি চহী ৭৫ ফারে, দাইমন্দ জুবিলি ওইনা পাঙথোকপসু য়াওনৈ হায়রি। নুমিৎ অদুদা মণিপুরগী নিংথৌনা মশানা য়ারদুনা মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭, ১ জন্যুৱারী; ১৯৪৭তা শেমদুনা সোভরেন রাইট অমসুং পৱার পীদুনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইখিবনি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা এসিয়াগী খা থংবা শরুক্তা মশানা কন্সটিট্যুসন শেমজদুনা লৈঙাকপা অহানবা লৈবাক ওইরিবনি।

ইপা ইপু শিখ্রবা মতুংদা চহীগী চাক খাঙবা লূপনি ঐখোয়। এক্ট অসি শিখ্রে খনবসু য়াওনৈ, অদুগীরা খঙদে নুমিৎ অসিদা মচা-মশুশিং শা-ঙা পীজরগা ঙাওনরিবসি। ফিরোইদবু কনানা অৱাবা ফোঙদোক্লবগে, চাথোকপগী মানবা অমা ইরোয়নরি। লৈঙাক্কী থৌওংসিসু শোরাৎকী মাল্লকপসু য়াওরিবনি। অরাংফম্না পূম্লাং লাংগনি, য়ূম্বু কৌশিল-কৌশিল্লগা কুন্থহনগনি, শেল থাহনগনি। লৈঙাক পায়রগা অরাংফম ওইবা ময়াম অমনা মীয়ামসি কুলহল্লগা থম্বগুম্বনি। এক্ট অদু শিখ্রবনি হায়গনি, শোরাৎ শোনবা মাল্লকপদুনি, য়ূম্বুদি ইপঙ পঙনা ’দুম লৈয়ু হায়বনি। শোরাৎ শোন্দোক্লুরগা মীদুদি শিরমদবা ময়াম অমা য়াওখ্রে। এক্ট অসিসু শিরমদ্রে হায়বা খঙবা মী ময়াম লৈরে, চাকশঙ শেম্বা নৎত্রগা ওফিস শাবা ঙমদবতা ঙায়রে। বৃটিশনা পীরম্বদু এক্ট অসিদনি, নিংথৌদা নত্তে, নিংথৌনা অমুক অনৌবা ইন্দিয়াদা য়োনবদু চুমদে খঙনরক্লবনি। পঙবসিদি অহুম্লক পঙই হায়বসু লৈরিবনি, ঙাঙবদা খাম্বা ঙম্নবা নত্তে। “য়াইফবা ওইরো’ হায়নরিবা ময়ামসি লাইগী ধারানি হায়রিবনি। অমনা হায়রগা অফবা ওইগদৌবদি করিসু লৈতে। ফাগি তৌবা কাঙবুনা ‘চেকশিন্না গাড়ীদুম থৌনসি’ হায়বসিনা হেন্না চুম্মী। মতমসি য়াম্না তাঙবা অমনি, ঙাঙলিবা মাগীদি লায়বু লায়রি, তারিবা ঐখোয়গীদি মতম মাঙহল্লোইদবনি, ইলেক্ট্রিক ইনর্জিসু মাঙহল্লোইদবনি।

কুমজা ২০২২গী কা মরিসি থা অহুম-অহুম খায়দোকপা য়াগনি। অহানবগী থা অহুমসি ঐখোয় ময়ামসি মান্নরে, ভোট পীরো হায়রগা লোইখ্রগনি। মথংগী থা অহুমদুদি জেরো হায়রিসে মীশি মীনা য়াওদ্রবসু ৱা খরা থোক্কদৌরি হায়রিবনি। মথংদা কা অনী লৈরিবসিগী মনুংদদি ঐখোয় লোইনা মান্নে হায়বা খঙলক্লনি। উতি চাবা, চগেম চাবা, ষণ চাবা, ওক চাবা লোইনমক পুল্লবনি হায়বসি য়ানরদৌবা ওইরিনি। ২২২২, চহী চনি ঙায়বা তারবদি য়াম্না ৱারনি। এস টি ককা খায়দোক্ত্রবসু য়াবু য়ারক্লনি খল্লি। মান্নদে, শম্নবা য়াদে হায়বশিংদু লাল্লি হায়বগী পাউদি চেনবা লোইরে। কছার লমদদি ফংদৌ মান্দে, মখোয়গী মমিং লাল্লি। এক্ট অসিদি শেম্বা মতমদা মখোয়গী য়াওদে। অসামগী এক্টতগী মখোয়না লৈবনা হাল্লবদি মণিপুরগী ৱা ঙায়দৌ নত্তে, মুসলিমগী ৱা খন্নবদা অরোয়বগী ৱা ঙায়দৌবা নত্তে। ম্যান্মারদগী চঙলকপা ময়াম অমদি এস টিগী কানবা লৌরগা লৈরবনি। মৈতৈ অশিংবনা মৈতৈ অপঙবা হাৎপগুম্বনি, অদুনবু এক্ট অদুসু অশিবগা মান্ননা থল্লিবনি। অদু ওইজরগসু ২০২২ লোইরবদদি ন্যু য়র হায়নদবা য়াওরনি। ‘কন্সটিট্যুসন দে’ হায়রিসে পারা ঔরাইবগীনি খঙদে পৱার শিন্দোকপগীনি খঙদে অমদি উরনি। অনৌবা উবসিবুনি ন্যু য়র হায়রিসে। মী অমগী নুংঙাইতবা য়াওরবদি হেপি হায়বা য়াদে। অদুনবু য়েৎনরিবশিং অসি হেপি খঙদবা ওইগদৌরিবনি। মীঙোন্দা য়েৎপা পাম্বশিংদি হেপি ন্যু য়র য়াওবিরোইদবনি। অঙাংশিংগী ওইজসনু হায়ববু য়ারিবনি। পূম্নমক্কী হেপি ওইনবা হোৎনসি।

লৈবাক হায়বসি লৈমায়দা লৈ হায়না লৌবসি লাল্লম্মে, চেদা লৈগদৌবা ওইরম্মে। ত্রাইবেলনা লৈমায়দা লৈবা ওইনা খনগল্লি। চেদা লৈগদৌবদু চেদু লৈত্রবদি লৈমায়দসু কুইনা লৈবা ঙমদে। লমদমসিগীদি চেদু লৈনা লৈনা লৈত্রবোই খনবদগী মী অমনা খুনখিবগুম্বনি। মসিদদি লৈমায়দা লৈবদু অমুক ঙমদে হায়বা খঙলক্কনি। লৈবদি লৈগনি কদায়দা লৈগনি হায়রবদি লৈমায় অদুদা লৈবা মীশিংগী কোক্তা লৈগদৌবা ওইরল্লে। মদু লৈতবদগী এক্ট অদুসু মাঙখ্রবোই খন্নরবনি। মৈতৈগী মরক্তসু মৈতৈ খঙদবা য়াম্না লৈবা মাল্লক্লি। নহাশিংদি অয়াম্বনা খঙদে হায়ববু য়ারে। অহলশিংনা তম্বীদবসু মাল্লকই। মৈতৈ হায়ব্রা, মীতৈ হায়ব্রা, মণিপুরী হায়বয়া অমত্তনা ময়েক শেংনা খঙনরবা নৎত্রি। মসিনা ওইবসু য়ারিবনি লৈবাক অমা মফম মরাং হেক খঙদনা মাঙহনখ্রিবনি। ইপোমগী বাবুনা অশিবা শাশিন্নরগা লৈখি, হৌগৎলক্লগা শেল থৌনখি, মদুমক য়াগদৌবা মাল্লক্লি। শিখিবদু মশক খঙগে খঙউ খঙলোই তোকউ হৌগৎলক্লবদি উরদৌবা নৎত্রদো, হিংলগা লোইরে। হিংবা ঙম্বা হায়বসি থৌনা লৌশিংগী মখা পোল্লকই, লৌশিংদু য়াওদনা নাপলনা হিংবা ঙম্বা হৌনদে। শেল তানবসু য়াই লৌশিং হান্না তান্দৌবনি।

কন্সটিট্যুসন দে পাঙথোক্কনি হায়রিবসি ৱাখল খন্থনবগী লৌশিংদু থিবগীনি। ৱাখলদু খন্দ্রবদি লৌশিংদু লাকউ য়ারোই হায়রিবনি। অদুনবু অঙাং ওইরিঙৈদগী খনবা হৌনবা অহাওবা পীজরগা থেম্বসিদি হান্নদগী লাইনীং শন্দোকপশিংনা তৌরক্তুনা লৈরবা ৱানি। মওং মান্নদবগী ৱাতনি লৈবাক খুদিং অঙাংদা তম্বী। জপানগী অঙাংদি শঙ্গোমদা ঈশিং য়ানবা ফাওবা য়াদ্রবনি। মফম অসিগীদি য়েরূম থিৎলগা য়াল্লি হায়নরি। শেন্দোং খরগীদমক মান্নবা হোৎনবদা শিবা-নাবা কিনদ্রে, মিনিষ্টর মান্নবা হোৎনবদা চোপ্পসু মশীং খঙনদ্রবনি। এক্ট শেম্বদা য়েরূম য়ানবদি য়ারোই।

এক্ট অসি শেল্লবা মতুংদা জুলাই ১, ১৯৪৭তা মণিপুর এদমিনিষ্ট্রেটিভ রুলস ১৯৪৭ শেল্লগা চৎনরে। ইন্টরিম গভর্ণমেন্ট শেল্লগা এফ এফ পিয়রসননা চীফ মিনিষ্টর ওইখি (জুলাই ১৫)। মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী চীফ মিনিষ্টর ওইরবা এম কে প্রিয়োব্রত্তদা পৱার ত্রান্সফর তৌরমখিবনি। পিয়রসননা পায়রম্বা ক্রাউন পারামাউন্সি অদুমক অদু ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তা প্রিয়োব্রত্তদা শিন্নরম্বনি। হৌজিক চত্থরিবা লৈঙাক অসিদা শিন্নরম্বা লৈতে হায়বনি। এক্ট অদু খঙদবা হায়বসি বৃটিশকী এদমিনিষ্ট্রেটর পিয়রসনবু মশক খঙদে হায়বনি। মখোয়না মণিপুর থাদোকপদি এক্ট-রুল অমগী মখাদা মরম চুম্না থাদোকই হায়বনি। ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা মসিগা মান্নবা থোক্তবনা ঙসি ফাওবা মীয়াম্না ইখঙ খঙনদবা ওইগদৌরি।

লমদমসিগী লৈমায়দা চোঙলগা লৈবা মীয়াম্না চেদা ইবশিং খঙদ্রবদি ঈংনা চিক্না পানবা ৱাগনি, অদুম লাংগনি। মরম অদুনা মীয়ামগী কোক্তা লৈবাক অমগী ময়েক শেংনা খঙহন্নবগীদমক্তা কন্সটিট্যুসন দে অসি মমুৎ তানা খঙলগা পাঙথোকপনা ঈংনা চিক্না লৈবদা মতেং ওইগনি। য়েন চারগা ঈশৈ খরা খোংবনদি নুংঙাইবা হৈবা মীনি হায়বদি য়ারক্লোই। ●